কন্দেম তৌরক্লি

ইম্ফাল, ওগষ্ট ০৪ (ঐচ এন এস)ঃ মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী ভি সী প্রোফেসর অদ্য প্রসাদ পান্দেবু মফম লৌথোকউ হায়বা দিমান্দ তৌরদুনা মণিপুর য়ুনিভর্সিটি ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়ন (মুসু), মণিপুর য়ুনিভর্সিটি ষ্টাফস এসোসিএসন (মুসা) অমসুং মণিপুর য়ুনিভর্সিটি টিচর্স এসোসিএসন (মুটা) না চঙশিল্লকপা খোঙজংদা সোলিদরিটি উৎলদুনা তোঙান-তোঙানবা পোলিটিকেল পার্টিগী মীহুৎশিংনা শরুক য়ারগা সাইলেন্ট রেল্লি চৎপদা অথিংবা থল্লকখিববু লোকল সরাউন্দিং পীপল ওফ মণিপুর য়ুনিভর্সিটি, কাঞ্চিপুর (এল এস পি ও এম য়ু সী) না কন্দেম তৌরক্লি। লোকল সরাউন্দিং পীপল ওফ মণিপুর য়ুনিভর্সিটি, কাঞ্চিপুর (এল এস পি ও এম য়ু সী) গী কো কনভিনর টি নন্দোনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, হৌখিবা জুলাই ১৫ দা মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী হৌজিক লৈরিবা ক্রাইসিস অসিগী মতাংদা পাঙথোকখিবা নোংমগী ওইবা পব্লিক দাইলোগনা লৌখিবা ৱারেপকী মতুং ইন্না ঙরাং ওগষ্ট ৩ দা ওল পোলিটিকেল পার্টিগী সাইলেন্ট রেল্লি অমগা লোয়ননা মুসু, মুটা অমসুং মুসানা চঙশিল্লিবা খোঙজংদা সোলিদরিটি উৎপা খোঙচৎসু মণিপুর লৈঙাক্কী য়াথং মতুং ইন্না ইম্ফাল ৱেষ্টকী দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসননা চঙহনখিদবা হায়বসি লৈঙাক অসিগী খ্বাইদগী পাংদবা থৌওংনি। থৌওং অসিদি মীয়াম্না য়াদ্রবা এম য়ুগী ভি সী পান্দেবু লৈঙাক অসিনা কনখৎতুনা থল্লি হায়বসি তাকচবনি হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তারক্লি।

নাগালেন্দগী ঈচাউ থোক্লবা মফম য়েংশিনগদৌরি

ন্যু দিল্লি, ওগষ্ট ০৪ (এজেন্সি): য়ুনিয়ন মিনিষ্টর ওফ ষ্টেট ফোর হোম এফ্যেরস কিরেন রিজিজুনা নেসনল দাজাষ্টর মেনেজমেন্ট ওথোরিটি (এন দি এম এ), হোম এফ্যেরস মিনিষ্ট্রি, মিনিষ্ট্রি ওফ ট্রান্সপোর্ট এন্দ হায়ৱেজ অমসুং নেসনল দিজাষ্টর রেস্পোন্স ফোর্স (এন দি আর এফ)কী ওফিসলশিংগা লোয়ননা হয়েং নাগালেন্দগী ঈচাউ অমসুং লেন্দস্লাইদ থোক্লবা মফমশিং য়েংশিনগদৌরি।

এজেন্সিগী পাউনা হায়, কিরেন রিজিজুনা লুচিংবা মীহুৎ কাঙবু অসিনা দিমাপুর অমদি কোহিমাদা চত্তুনা হৌজিক-হৌজিক ষ্টেট গভর্নমেন্টকী এজেন্সিশিংনা লৌখৎলিবা মী কনবা অমসুং মতেং পাঙবগী থৌরাংশিং য়েংশিনগনি। টিম অদুনা চীফ মিনিষ্টর, চীফ সেক্রেটরি অমদি ষ্টেট এদমিনিষ্ট্রেসনগী অতৈ সিনিয়র ওফিসল কয়াগসু উনগনি। হন্দক মরক নোং কন্না চুখিবগা লোয়ননা নাগালেন্দগী মফম খরদা লেন্দস্লাইদ থোকখি।

OFFICE OF THE
IMPHAL MUNICIPAL CORPORATION
[illegible]/খঙহঞ্জবা

তাং ০৩-০৮-২০১৮ ইং

No.4/2/2018/IMC :- Imphal Municipal Corporation না কোল্লিবা মফমশিংদা হোল-শেলগী দুকান ফম্বীরিবশিংনা ইশা-ইশাগী মীং, দুকানগী লাইসেন্স (Photo Copy) অমদি য়োল্লিবা পোৎলমশিংগী লিষ্ট (List), Imphal Municipal Corporation গী Revenue Section দা নুমিৎ ৫ (মঙা) নিগী মনুংদা পীশিনবীয়ু। অদুগা দুকানগী লাইসেন্স পায়দনা দুকান ফম্বীরিবশিংনা নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নিগী মনুংদা ইশাগী দুকানশিং অদু The Imphal Municipal Council (Registration and Licensing of Shops) Bye-Laws, 1998 কী মতুংইন্না Register তৌবিনবা অমদি লাইসেন্স লৌবিনবা খঙহঞ্জরি।

Sd- **Ksh. Gyanendra Singh**
Asst. Municipal Commissioner, (Revenue)
Imphal Municipal Corporation

HL-B/4776/5

SANGAI HOUSEKEEPING & HOUSE CLEANING SERVICES
[A UNIT OF LGP ENTERPRISES(MN-O5D0005417){MICRO}]
THANGMEIBAND YUMNAM LEIKAI, I/W

Manipurda Ehan Hanba Oina Pung Khragi Mi WaibaYarani.......

* Yumge Mi Leijadabge Awaba Koklagani
* YumgeThabak Ayamba Shubage Khudongchaba Fangalagani. Leijare * Samna Hairabada, * Yumge Napi Fanba, * Yum Sengba
* Water Reservoir (Sintex), Underground tank Sengba
* Mi Leitabasinggi Deba Karma Thokpada Pung Khragi Nongmagi Mi WaibibaYaigani...
* Yumgi Maintenance su Eikhoidagi Toubasu Yagani (Rung, Pipe, Repairing Etc.)
* Korphu Fengbagi Amadi Ensang Napi Sembagi Mi Waibasu Yagani...
** Pung Khragi Waibada Pungda Lupa Rs.199/-(Khaktani) (Pung Khra Amadi Numit 2,3 Waibagini)
** Nongmagi Waibadana Lupa Rs 799/- Ni (Man Power 1)
** Housekeeping gi Oina Pungda Lupa Rs. 69/-Khaktani (Nungtigi Waibigadabni)
** Housekeeping gi OinaTha 1 gi Oina OibaTaradi Lupa Rs. 6999/- da Yagani. Nongmagi Pung 4hr to 8hr Shujagani... (Pung 4hr dage henna shuba pambiba miosingtagini)
*** Leibak Honjinba, Nung Honjinbadadi Garigi Trip Ta Paisa Loujagani, Natragasu Pung Khra Oina Waibadasu Yagani...
Eikhoidagi Fangadaba Labour Singdi
1) Rung gi Mistery, 2) Pipe ki Mistery, 3) Chekki Mistery
4.Carpentery Mistery asinachingba Fangbigani...
5.Worker/Labour Mi 10/20 waibasu Yagani...
# Condition Apply : Arembada Paisa, Matam Manghanbiganu,
Yamna Laina HongnaThabak Shujari.

Order Toubiyu / Contact Toubiyu
SANGAI HOUSEKEEPING &HOUSE CLEANING SERVICES
ThangmeibandYumnamLeikai
# 7005112624/7005071707/6909013553
Email:lgpenterprises123@Gmail.Com
Website :www.lgpenterprises.In

HL-P/5160/3-28Aug.

সিকোগী মপোক কুমওনগা মরী লৈননা পাউজেল পীরক্লি

ইম্ফাল, ওগষ্ট ০৪ (ঐচ এন এস)ঃ সাউথ ইষ্ট এসিয়া কলচরেল ওর্গনাইজেসন (সিকো) গী মপোক কুমওন নুমিৎ অসি লাক্লিবা ওগষ্ট ৫, মালিয়াফম পালচা কুমশিং ৩৪১৬ নোংমাইজিং নুমিৎতা থোক্লে। সিকোগী মপোক নুমিৎ অসিগা মরী লৈননা য়াইফ পাউজেলসু পীরক্লি।

সিকোগী প্রসিদেন্ট কোলোমচা অচৌবী খুমননা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, সিকোগী মপোক কুমওননা লাকপদা লমদমসিদা নুংঙাই-য়াইফবা, চাউখৎপা, হেন্না নুংশি-চান্নবা অমদি ঐখোয়গী ইনাৎপুসু হেন্না চাউখৎপা, খুমাঙ চাওশিনবা পুরকপা অমদি নুপী-অঙাংদা চথবা ফত্তবা থৌদোকশিং থোক্তবা ওইরসনু। মপান লমদা লৈখ্রবা কংলৈ ইচিল-ইনাওশিংসু সিকোগী মপোক কুমওন অসিনা লাকপদা নুংঙাই-য়াইফবা, অনা-অয়েক য়াওদবা, পুন্সি নুংশাংবা ওইরসনু।

নীংশিংবা থোক্ত্রবা মতমদগী লৈরক্লবা কংলৈপাক্তা ঙসিগী মণিপুরগী য়েলহৌমী মৈতৈ ফুরুপ অসিগী ইনাৎ অমসুং লাইনিংগী তোপ-তোপ্পা মশক লৈজরকই। অদুবু কংলৈ খুন্নাইগী ইনাৎ অমসুং লাইনিংগী শত্তুম তপ্প-তপ্পা মাঙশিল্লকখিবা অসিনা মালেমগী লৈমায়দগী য়েলহৌমী কংলৈ ফুরুপকী কাংখুল মুৎখিবা য়াবগী মীপাইবা লৈরিবনি। মদুগী মহয়না ঙসিদি লৈপাক্কী থৌরমশিংগী চৎনলোন কায়থরকপা অমদি ফুরুপকী শক্তমদা চাওনা অকায়বা পীরক্লিবনি। মরম অদুনা কংলৈ খুন্নাইগী শিথরুরবা লোল, ইনাৎ অমসুং লাইনিং হিঙ্গৎ ঈহৌ কনখৎহন্ননবা অমদি অরিবা খুভম কনবা হায়বসি য়েলহৌমী কংলৈচা ঐখোয়গী তঙাইফদ্রবা ইথৌদাংনি। ইশাগী চৎনরোল কনবা, য়োকখৎ-হিঙ্গৎহনবা হায়বসি মালেমগী লৈঙাক-পথাপনা য়ারিবনি।

কংলৈপাক্কী হৌজিক ওইরিবা মীপাইনিঙাই ওইরবা ফিভমশিং অসিগী খুদম খরদং পল্লবদা নোংম-নোংমগী ঐখোয়গী পাক-চাওবগী লম অসি অসুম পিকশিল্লকপা, ময়াই কাবা চীঙ্গাক্তা লুপশিল্লকপা, শুদনা নুংঙাইনিংলকপা, মীগী লন-থুম মৎপা-মুনবা, মীনম সোরি মশীং হেনগৎলকপা, থকসি-খাসি নাইরক্তবা অদুগা ইনাৎকী শক্তম অসুম মাঙশিল্লকপা অমদি মীতোপ মীয়ানচা মশীং নোংম-নোংমগী হেনগৎলক্তুনা লৌ মপু য়োংনা তাল্লকপগী ফিভম নকশিল্লকপা কয়া অসিদগী তুংদা য়েলহৌমী মৈতৈনা ওইরক্কদবা ফিভম অসি সিকোনা মীপাইবা পোকই। মালেমগী হোংলক্লিবা চাউখৎ লমজেলদা ঐখোয়গী ইনাৎকী অমদি ফুরুপকী শক্তম অসি য়াম্না হৈ-শিংনা চেকশিন্না শরুক য়াহৌদ্রবদি য়েলহৌমী কংলৈচাশিং অসি টাইটানিক হীজাও লুপ্পদৌনা খঙন-খঙনা পূমলুপ লুপখিগদৌরিবনি।

মতমগী চাউখৎপনা পুরকপা ট্রেননা মীতোপ মীয়ানচা কয়া তুংদা পুশিল্লক্তুনা ঐখোয়গী ফুরুপকী শক্তমদা য়াম্না চাওনা অহোংবা লাক্লগনি। অদুবু ট্রেন চঙশিল্লকপদি থিংলুবা য়ারোই। মসিদি মতম্না পুরকপা চাউখৎপগী অওনবা লাকপনি। অদুবু চাউখৎপনা নাকল অমরোমদা চৎখ্রগা ঐখোয়গী ফুরুপকী শক্তমদা চাওনা অকায়বা লাকপদুনি। তুংদা ওইরক্কদবা অসিগুম্লবা মীপাইনিঙাই ওইরবা শাফু কয়া অসি উরু-তারুরগা সিকোনা কংলৈ খুন্নাইগী মাঙশিল্লক্লিবা নমথবীখ্রবা চৎনরোল, অরিবা লাইফম-তিনফম, খুভম কয়াবু কন্নবা অমদি মৈতৈগী থবক কয়া তৌরক্লি। কংলৈচাশিংনা ঐখোয়না মীতৈনি, ঐখোয় ইশাগী ইরোল ইয়েক, লাইনিং, ইনাৎকী ওইবা থৌরম পরেং শুনা লৈজে হায়বা ফাওবা করিমত্তা হায়জবা লৈতনা অনম-অহা, তুফক-তুফাই চন্দুনা অমদি য়াম্না শোথনা মীপাল তাংবগী হৈনবীদা লুপশিন্দুনা লৈরি। ইশাগী ইচাক-ইরল কয়া কাওরি। লম্বী লম্ফেননা চৎলি। মীগী মনাৎতা ইনাৎ শানা হিংলি। ইনাৎকী ৱা ঙাঙবদা হাক্কৎচবা ফাওরি। অদুনা ঐখোয়গী হান্নগী লীচৎতা হৌগৎ কাংখৎপা ঙম্লবা হোৎনজবগী ঐখোয়গী হক লৈজে হায়বসি নীংশিংবগা লোয়ননা মীকপ থোক্তুনা লমগী ষণনা মচি শাংহন্নিংবগী হৈনবীসু থাদোকপা মতম ওইরে।

লমদম তাম্না তাম্না খুন্দা লৈতাদুনা লৈখ্রবা শলাই তরেৎকী মীতৈ ইচিল-ইনাওশিং অমতা ওইনা পূনশিন্দুনা মীতৈগী অপূনবা পাঙ্গল অমা শাগৎননবা সিকোনা য়াম্না কন্না হোৎনজরিবা অসিদা মালেমদা লৈরিবা মীতৈ খুদিংমক্লা সিকোবু শৌগৎপীদুনা থৌনা হাপ্পীয়ু। সিকোনা চঙশিল্লক্লিবা ইনাৎকী হরাও কুম্মৈশিং, লাইনিং লাইশোল থৌরমশিংবু য়োকখৎ হিঙ্গৎহনবা, মীতৈগা মরী লৈনবা থবক থৌরমশিং অমদি মীতৈগীদমক য়াম্না কন্না হোৎনজরিবা অসিদা হেন্না মায় পাক্লবা তুংদসু মায় পাক্লবা কোওপরেসন অমদি কনষ্ট্রক্টিব আইদিয়ানচিংবা পীবীবগী মথক্তা মীয়াম্না মতেং পীবীয়ু হায়নসু চেরোলদুনা মখা তানা অপীল তৌরক্লি।

সী এস ওশিংনা শৌগৎপীয়ু : য়ুনাইটেদ কোর কম্মিটি

ইম্ফাল, ওগষ্ট ০৪ (ঐচ এন এস)ঃ ক্যামগৈ মুস্লিম অৱাং লৈকাই থোংখোঙদা হৌখিবা জুলাই ২৯ দা মীফম অমা পাঙথোক্তুনা ক্যামগৈ মুস্লিমগী এরিয়াদা লৈরিবা ময়াই কাবা চীঙ্গাক চাবা, য়োনবা অমদি পুথোক-পুশিন তৌরিবা মীওইশিংবু থিংননবা ক্যামগৈ মুস্লিমগী মহালা ১৩ না পূল্লগা শেমখিবা য়ুনাইটেদ কোর কম্মিটি ওফ এন্টি সোসল ইলিমেন্টস ক্যামগৈ মুস্লিমনা কন্না হোৎনরি। মসিদা লমদম অসিগী সিভিল সোসাইটি ওর্গনাইজেসনশিংনসু মপূং ফানা শৌগৎপীয়ু হায়না অপীল তৌরক্লি।

য়ুনাইটেদ কোর কম্মিটি ওফ এন্টি সোসল ইলিমেন্টস ক্যামগৈ মুস্লিমগী সেক্রেটরি এম দি অহমদ রাজানা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, এন্টি সোসল ইলিমেন্টশিংবু মপূং ফানা মুখৎনবা পান্দমদা শেমখিবা কোর কম্মিটি অসিদা কনাগুম্বা খরনা শীংনবা মানবা অমদি মশাগী ওইজবা খরা ফংনবগীদমক কম্মিটিগী মীওইশিংবু য়েক্লবা ওইনা খল্লকপা অসি লাইবক থীবনি। লৈবাক্কী অসুক লুরবা তানফম অসিদা ইমুং অমদা লুপা লাখ কয়া কয়াগী ময়াই কাবা চীঙ্গাক লোৎশিন্দুনা থম্বা অসি খুন্নাইবু শীংনবনি। খুন্নাইসিদা চৎনরিবা চৎনরোলশিংগী ৱাংমদা থবক তৌরকপা হায়বসি মীয়ামগী য়েক্লবা ওইবনা মখোয়গী মথক্তা লোগী মতেং লৌদুনা থবকশিং অসিদগী লাপথোকহন্নবা কোর কম্মিটি অসিনা অঙম্বা থাক্তা হোৎনখিগনি।

হৌজিক ক্যামগৈ মুস্লিম এরিয়াদা লৈরিবা ময়াই কাবা চীঙ্গাক চাবা অমদি য়োনবশিংবু লেপ্পীরগা অফবা খোঙথাংদা মায়পুননা থবক তৌমিন্নবগী খুদোংচাবা লৌবীয়ু। মসি নত্তনা হেন্না হেন্না খুন্নাইগী মায়োক্তা লৈদুনা তুংগী যূম্বীশিং মুখৎননবা হোৎনরক্লবদি মদুগী চপ চাবা থবক কোর কম্মিটি অসিনা পায়খৎলক্কনি। মসিদা মণিপুর পুলিস দিপার্টমেন্ট, মৈরা পায়বী ইমাশিং, মহৈরোয় লুপশিং, সী এস ওশিং অমদি লৈকাইগী ক্লব ওর্গনাইজেসনশিংনসু মপূং ফানা মতেং পাংবীয়ু হায়না চেরোল অদুনা মখা তানা অপীল তৌরক্লি।

থাগৎপা ফোঙদোরক্লি

ইম্ফাল, ওগষ্ট ০৪ (ঐচ এন এস)ঃ হোম গার্দকী কম্মান্দেন্ট ওইনা ট্রান্সফর লাক্তুনা সী ও হোম গার্দ ভি/এ ওইরিবা দল্লিয়ু সিংহজিৎ এম পি এসনা হোম গার্দ পর্সনেলশিংগী থা খুদিংগী ফংফম থোকপা পে এলাৱেন্স অমসুং চাংনাইনা ফংহনবগীদমক মণিপুর হোম গার্দ এমপ্লোয়ীজ এসোসিএসননা থাগৎপা ফোঙদোরক্লি।

মণিপুর হোম গার্দ এমপ্লোয়ীজ ৱেলফ্যের এসোসিএসনগী সেক্রেটরি কেঐচইনাওবীনা থোকপা চেরোল অমনা হায়, মণিপুর গভর্নমেন্টকী মরী লৈনবা ওথোরিটিনা হোম গার্দ পর্সনেল-শিংগীদমক খনবীদুনা থৌদাং লৈবা সী ওগী পোষ্ট অসি য়াম্না তোয়না হোংদোক-হোংজিন তৌবীগনু। মরমদি তোয়না সী ও শিন্দোকপনা হোম গার্দ পর্সনেলশিংগী ৱেলফ্যের অমদি দিভ্লপমেন্টকী থবক অমত্তা মপূং ফানা পায়খৎপা ঙমহন্দে। অহৌইনদুম মখা তাবা খরনা খুদোংচাবা লৌনবা হোৎনবদা হোম গার্দ পর্সনেলশিংদা হেন্না খুদোংচাদবা মায়োক্ল হল্লি হায়রি। মরম অদুনা নৌনা সী ও ওইনা লাক্লিবা দল্লিয়ু সিংহজিৎনা হোম গার্দ পর্সনেলশিংগী ওইবা ৱেলফ্যেরশিং পন্দুনা লৈরিবা অসি অথুবা মতমদা থবক ওইনা পাঙথোকপীরক্কনি অমদি ৱারোইশিন লাক্লবা হোৎনবীরক্কনি হায়বগী থাজবা থমজরি। অমসুং এসোসিএসন অসিনসু সী ওনা হায়বীরকপা থবকশিংদা মতেং পাংনবা শেম-শাদুনা লৈজরি হায়রি।

জিরিবাম হোস্পিটালগী ষ্টাফশিং থা ৬ তোলোপ ফংলক্তবগী ঈৱাং হৌখ্রে

জিরিবাম, ওগষ্ট ০৪ ঃ জিরিবাম দিষ্ট্রিক্টকী উচাথোলদা লৈরিবা ফমুং ৫০ থাবা হোস্পিটাল অসিগী ষ্টাফশিংনা থা ৬ রোম তোলোপ ফংদ্রিবসি পীথোকপীয়ু হায়দুনা ঙসি হোস্পিটাল অসিগী ও পি দি থিংজিল্লগা হোস্পিটাল মমাঙদা ৱাকৎ মীফম ফমখ্রে।

ঙসি অয়ুক পুং ১০ তাবদগী হৌদুনা নুংথিল পুং ২ ফাওবা ও পি দি হাংবগী মতম অদু ও পি দি থিংজিল্লগা ৱাকৎ মীফম ফমখি। ও পি দি থিংলগা হয়েং ফাওবা ৱাকৎ মীফম ফমগনি হায়রি। করিগুম্বা তোলোপ অসি পীদবা তারবদি ওগষ্ট ৬ তগী হৌনা হোস্পিটাল পূম্বা থিংজিল্লগা ষ্টাফশিংগী তাল্লিবা দিমান্দ ফংদ্রিবা ফাওবা মখা তানা ৱাকৎ মীফম ফমগনি হায়রি।

ৱাকৎ মীফম অদুদা শরুক য়াখিবা ষ্টাফৱাইরমানন্দনা ফোঙ-দোকখিবদা, ফমুং ৫০ লৈবা হোস্পিটাল অসিগী ষ্টাফশিংনা থা ৬ হেল্লবা অমদি থা ৭ চঙশিল্লক্লবা ফাওবদা মরী লৈনবা হায়র ওথোরিটিশিংনা তোলোপ পীবীদবা অসি তশেংনা নুংঙাইজদে। মরম অদুনা অথুবা মতমদা তোলোপ পীথোকপীয়ু।

[illegible]/ মেদাম লাংলেনবু থাগৎচরি



Ngongkham Gunamani, Khurai Chairen Thongkhong দা লৈবা ঐ মতম কুইনা খোঙ নাবা অমদি হকচাংদা নুঙ লৈদুনা লেংবা-থিনবা নাবা তৌরম্বদু ইচন্না য়েংবিবদগী নুং কাচি-কারোং পানবা অমা মপান থোকপদা তারক্লে। মসিদা অঙকপা পোকপগা লোয়ননা পাউচেগী থোংদা থাগৎচরি।

Susil, Moirangদা লৈবী (৫০) ঐ দাইবেটিসনা মপান থোকপদা সুগর খরা ৱাংবগী গুলি চাবা তৌরম্বদু মেদামনা য়েংবিবদগী পুন্নমক ফরে। শা-ঙা চাবা য়ারে। চিঙ্গাক কক্তরে। গুলি চাদ্রে। মসিগীদমক্তা থাগৎচরি।

Naorem Babudon (83), হাওবম মরক্তা লৈবা ঐ ইশা হাক্কৎচবা, ফনা কুইরবা অদু মেদামনা অনীরক য়েংবিবদগী হাক্কৎচবা ফরে। মসিগীদমক থাগৎচরি।

Moirangthem Achou (70) ঐ মতম কুইনা চহী ২০ রোম নুংশঙ, দাইবেটিসনা নাদুনা খোঙ হাম্বা য়াদবা, ঈ তাবা, মপান থোকপা, খৌনাও কংবা, তিন থোক্তবা, শাবা থুপ্পা, লোক শিৎতোকপা ঙমদবা, মীৎ শেংনা উদবা, খোঙয়া শাবা, তুম্বা য়াদবা, শ্বর হোনবা ৱাবা, খোঞ্জেল থোক্তবা পুন্নমক ফরে। শিরুবদগী কনবীরে। মসিগীদমক্তা পাউচেগী থোংদা হন্না হন্না থাগৎচরি।

লায়েংবিরিবী ঃ **Top Mayai Leikai**
(Near) Lai Lampak Litan Thongkhong
Contact No. **☎ 8974671844**

HL-P/1937/5

UKRAINE/RUSSIA
Recg by MCI,WHO,USA,UK
1.Ternopil State Medical University
2. Uzhhorod National University
3.Crimea Federal University
Our students has passed successfully MCI Screening Test
MBBS
Dr.Tonsing(Imphal)
Dr.Lalsangpuii(Aizwal)
Dr.Lalfakawmi (Aizwal)
Dr.Rosa(Aizwal)
Dr.K.Adak(Aizwal)
Dr.A.Bhuyan(Assam)
Dr.R.Phukan (Assam)
Dr.Ezenbemo(Nagaland)
ARCH EDUCATIONAL SERVICES Pvt.Ltd
[illegible] C/O Ashish Hatta Minuthong
IMPHAL-9774227905,GUWAHATI-9435087972

HL-P/5166/1-15 Aug

নেসনল স্পোর্টস য়ুনিভর্সিটিগী থবক হৌবা থিন্থবদা এম পি মৈন্যনা নুংনাংবা ফোঙখ্রে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ০৪ (ঐচ এন এস): নেসনল স্পোর্টস য়ুনিভর্সিটি (এন এস য়ু) গী থবক হৌবদা থিন্থহনবগীদমক্তা ইন্নর মণিপুর এম পি থোকচোম মৈন্যনা য়ুনিয়ন গভর্ণমেন্ট অমসুং মিনিষ্ট্রি ওফ য়াসকী থৌওংবু য়ানিংদবা ফোঙদোকখ্রে। ঙরাং লোক সভাদা নেসনল স্পোর্টস য়ুনিভর্সিটি বিল (এন এস য়ু) ২০১৮ পাস তৌনবা খন্নখিবদা শরুক য়ারদুনা ডা. মৈন্যনা য়ুনিয়ন গভর্ণমেন্ট অমসুং য়াসপু নুংনাংবা উৎখিবনি।

এম পি ডা. মৈন্যনা য়ুনিয়ন গভর্ণমেন্ট অমসুং মিনিষ্ট্রি ওফ য়াসতা কৌক্রক্তা খুদক্তা মাদর কেম্পসকী থবক পায়খৎপা হৌনবা অমসুং মপান্দা কেম্পস/সেন্তর অমত্তা হাংদ্রিঙৈগী মমাঙদা মাদর কেম্পস হান্না মপূং ফানা দিভলপ তৌনবা কন্না তকশিনখি।

পনবা য়াই, মণিপুরদা এন এস য়ু লীংখৎপগী ৱাফম অসি প্রাইম মিনিষ্টরনা লাউথোকখিবনি অমসুং কুমজা ২০১৪-১৫গী য়ুনিয়ন বজেটতা মদুগী থবক পায়খৎনবা লুপা ক্রোর ১০০ হাপখি। মণিপুর গভর্ণমেন্টনা ইম্ফাল ৱেষ্টকী কৌক্রুক্তা লম একর ৩২৫.৯০ শিন্দুনা থমখ্রবনি। তৌইগুম্বসুং শুপ্পগী হৌখিবা কুমজা ২০১৭কী ওগষ্ট ১০দা লোক সভাদা নেসনল স্পোর্টস য়ুনিভর্সিটি বিল ২০১৭ পুথোকখি হায়না ডা. মৈন্যনা নুংনাংবা ফোঙদোকখি।

বিল অদু ষ্টেন্দিং কম্মিটিদা থারগা মদুগী রিপোর্টনা চহী অসিগী জন্যুৱারী ১৫দা লানখৎখি। মমাঙগী বজেট সেসন্দা বিল অদু পাস তৌখিদে। মতম চূপ্পদা চরাংনবা থোক্তুনা সেসন অদু কান্নখিদ্রে। অদুম ওইনমক এন এস য়ু বিল ২০১৭ অদু হাওসকী চরাংনবা মরক্তা য়ুনিয়ন বজেট অমসুং অতৈ গভর্ণমেন্ট বিলশিং পাস তৌখিবগুম্না খন্নদনা পাস তৌরম্বা য়াবনি। তৌইগুম্বসুং মসি থোকখিদ্রে হায়না ডা. মৈন্যনা পেন্দবা ফোঙদোকখি।

মখা তারদুনা এম পি ডা. মৈন্যনা পোলোগী হোম ওইরিবা মণিপুরগী ইম্ফাল পোলোগ্রাউন্দদা চহী খুদিংগী ইন্টরনেসনল পোলো টুর্নামেন্ট পাঙথোক্লি হায়না ফোঙদোকপগা লোয়ননা য়ুনিয়ন স্পোর্টস মিনিষ্টরদা নেসনল স্পোর্টস য়ুনিভর্সিটিগী মখাদা পোলোগী ইন্সটিট্যুট অমা লীংখৎপীনবা তকশিনখি হায়না এম পিগী পি এসনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

‘ৱেট লিফটর কে ঐচ সঞ্জীতা চনুগী মথক্তা থল্লিবা অথিংবা অথুবা মতমদা লৌথোকহনবিয়ু’

ইম্ফাল, ওগষ্ট ০৪ (ঐচ এন এস): ইন্টরনেসনল ৱেট লিফটর সঞ্জীতা চনুবু ইন্টরনেসনল ৱেট লিফটর ফেদরেসনগী মায়কৈদগী দোপ্পিং টেষ্টতা সেম্পল ওন্নরম্বদগী অশোয়বা লৈরে হায়না ফোঙদো-রকখ্রবসু মহাক্কী মথক্তা থল্লিবা অথিংবা অসিদি লৌথোকপা লৈত্রি। মহাক্কী মথক্তা থল্লিবা অথিংবা অসি লৌথোক্লবা হোৎনবদা ইন্দিয়ন ৱেট লিফটিং ফেদরেসন, মণিপুর ৱেট লিফটিং ফেদরেসন, মণিপুর ওলেম্পিক এসোসিএসন, মণিপুর অমদি ইন্দিয়া গভর্নমেন্টনা অচৌবা থৌদাং লৌদুনা অথিংবা অসি লৌথোক্লবা হোৎনবিয়ু হায়না ওল ককচিং খুনৌ স্পোর্টস এসোসি-এসনগী জোইন্ট সেক্রেটরি এম বিনোদকুমারনা ফোঙদোকখ্রে।

মণিপুর প্রেস ক্লবতা ঙসি ওল ককচিং খুনৌ স্পোর্টস এসোসিএসন, চিগোংলৈ মখোঙ দেভলপমেন্ট ক্লব থোংজু অমদি জে এ সি এগেষ্ট দি খুমুকচম সঞ্জীতা চনু ইনজটিষ্ট দোপিং কন্সপিরেন্সিগী মীহুৎশিংগা পাউমীশিংগা উনবা অমদা এম বিনোদকুমারনা মখা তানা হায়, সঞ্জীতাগী মথক্তা থল্লিবা অথিংবা অসি লৌথোক্লবা হোৎনবদা মহাক্লা ইন্টরনেসনল ৱেট লিফটিং ফেদরেসনগী মথক্তা মালেমগী থাক্তা লৈবা কোর্ট অমদা কেস তৌবা মথৌ তারি। কেস অসি তৌবা মতমদা চঙগদবা শেনফম খুদিংমক মণিপুর লৈঙাক, ইন্দিয়া লৈঙাক, ইন্দিয়ন ৱেট লিফটিং ফেদরেসন, মণিপুর ৱেট লিফটিং ফেদরেসন অমদি মণিপুর ওলেম্পিক এসোসিএসননা পুথোক্কদবনি।

মহাক্লা হায়, সঞ্জীতাগী মথক্তা ইন্টরনেসনল ৱেট লিফটিং ফেদরেসননা অরানবা লৈতে হায়রক্লগসু অথিংবদি লৌথোকপা লৈতে। ঙসিফাওবদা মণিপুরগী শান্নরোয়শিংগী মায়কৈদগী মোরেল সপোর্ট অমতা ফংদ্রিবা অসি নুঙাইতে। সঞ্জীতাদা তারিবা খুদোংথিবা অসি অতোপ্পা শান্নরোয়শিংদসু তারোয় হায়নিঙাই লৈতে। অদুনা মণিপুরগী তোঙান তোঙানবা ইভেন্টশিংগী শান্নরোয়শিংনা মতেং পাঙহন্নিংই। মরী লৈনবশিংনা অচৌবা থৌদাং লৌদুনা সঞ্জীতাগী মথক্তা থল্লিবা অথিংবা অসি অথুবা মতমদা লৌথোক্লবা হোৎনদ্রগদি লৈরিবা ক্লব, জেএসিনা মীয়ামগী মতেংগা লোয়ননা খোঙজং কয়া চঙশিল্লগনি হায়খি।

হ্যুমেন রাইট এক্টিভিষ্টশিংবু নমথদুনা থম্বগী মায়োক্তা ৱাকৎ মীফম ফমখ্রে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ০৪ (ঐচ এন এস): লৈপাক অসিদা হ্যুমেন রাইট এক্টিভিষ্টশিংবু নমথদুনা থম্বগী মায়োক্তা কেম্প্যেন এগেনষ্ট দি ষ্টেট রিপ্রেসন ওন হ্যুমেন রাইটস এক্টিভিষ্ট হায়বা বেনর অসিগী মখাদা ইন্দিয়াগী তোঙান তোঙানবা ওর্গেনাইজেসন-শিংনা ঙসি দেল্লিগী পার্লিয়ামেন্ট ষ্ট্রিটতা প্রোটেষ্ট তৌবা অসিগী শরুক অমা ওইনা ইম্ফালদসু কম্মিটি ওন হ্যুমেন রাইট (কোহর) মণিপুরনা শীন্দুনা ক্বাকৈথেল অখাম লৈকায়দা লৈবা কম্যুনিতি হোলদা ৱাকৎ মীফম অমা ফমখ্রে।

ৱাকৎ মীফম অদুদা শরুক য়াখিবা কম্মিটি ওন হ্যুমেন রাইট মণিপুরগী চ্যেরমেন ফুলিন্দ্রো কোন্সমনা ফোঙদোকখিবদা ইন্দিয়াগী তোঙান তোঙানবা ওর্গেনাইজেসনশিংনা কেম্প্যেন এগেনষ্ট দি ষ্টেট রিপ্রেসন রাইটস এক্টিভিষ্ট হায়বা বেনরগী মখাদা লৈপাক শিনবা থুংনা প্রোটেষ্ট তৌরিবা অসিগী শরুক অমা ওইনা মণিপুরদসু প্রোটেষ্ট অসি চথবনি।

মহাক্লা হায়, ইন্দিয়াগী মাওইষ্টনা খূৎলিংবা মফমশিংদা লৈবা হ্যুমেন রাইট এক্টিভিষ্টশিং অসি য়াম্না খুদোংথীনীংঙাই ওইরি। মীয়ামগী মায়োক্তা লৈবা লোশিংগী মরুমদা ইন্দিয়াগী সিক্যুরিটি ফোর্সেস, লো এনফোর্সমেন্ট এজেন্সি অমদি পুলিসশিংনা তোঙান তোঙানবা মীফা-মীপূন কয়া অমা চথুরি। ষ্টেট অসিদসু অর্ম ফোর্সেস স্পিসিয়েল পৱার এক্ট (অফস্পা) গী মরুমদা সিক্যুরিটি ফোর্সশিংনা মীহাৎ মীপূন চথুবা, ফাখ্রগা থিবা খঙহন্দবগী থৌওং কয়া চথৈ হায়বসি মীয়াম্না হেন্না খঙনরবা ৱাফমনি।

ফেক এনকাউন্টরগী কেসশিংদা আর্মিগী ওফিসর কয়া চেন্নৈ হায়না কোর্টতা এফিদেভিট পীখৎলক্লবা ফাওবদা ষ্টেট লৈঙাক অমদি সেন্ট্রেল গভর্ণমেন্টনা তুমিন্না লৈশিনবা অসি কোহরনা অকনবা মওংদা কন্দেম তৌই। ফেক এনকাউন্টরদা হাৎখিবশিং অসিগী চপ চাবা ফেক্ট ফাইন্দিং টিম অমনা থিজিল্লগা চেন্নবা পর্সনেলশিং চৈরাক পীগদবনি। মণিপুরদা লিশাং শিংনা চথুরকপা হ্যুমেন রাইট খোঙ্গাওনবশিং অসিগী অচুম্বা ফংননবা ঐখোয় পূন্না থেংনমিন্নসি হায়খি।

ৱাকৎ মীফম অদুদা অমুকো, এ এম এ দল্লিয়ু ও ভি এ, পোইরৈ লৈমরোল, ইরাৱট ফাউন্দেসন, এ এম এস সী ও, এম এ কে দল্লিয়ু এ কে, এম এস এফনচিংবা ওর্গেনাইজেসনশিংগী লুচিংবশিংসু শরুক য়াখি।

[illegible]/NOTICE

It is hereby Notified to the general public that in the name and style as **M/S LANCHENBI FINANCE** having its office address at **Awang Leikinthabi** will take the licence under the provision of Bombay Money Lenders Act, 1946. In this regard, anybody those are willing to claim/objection/suggestion may file as same within 7 (Seven) days from this publication. Further, any claim/objection/suggestions are not entertained after completion of given days.

Sd/- **L. Brajakeshor**
Manager/MD/GM

HL-P/1935/5



ꯃꯤꯇꯩ ꯂꯥꯏꯌꯦꯡ/মীতৈ লায়েং

য়া শৎতনা লায়েংবা, য়াগী কেন্সর মায় পাক্লা লায়েংজরি । এন ইবোহল মীতৈ
চীংমৈরোং মনীং লৈকায় লম্বী চংফম মচিন, নিয়র এসেমব্লী কমপ্লেক্স

১। হৌজিক্কী মতম অসিদা মীয়াম্না মীপাইনরিবা বি.পি. হায়বসি ইমালোন্দা লাইয়ৈ য়ৈবা হায়বনি। হায়রিবা লাইওং অসি মীতৈ ঈপা ঈপুনা অসুম চৎলম্বদগী বোম তুদুনা শিরে, তুমখিবদগী হৌগৎলক্তরে হায়বদি ঐগী লোলদা লাইয়ৈ য়ৈদুনা শিরে হায়বনি। হৌজিক্কী মতমগী লোন্দদি বি.পি. পোকখায়দুনা শিরে হায়না খঙনৈ। হায়রিবা লাইওং অসি মীতৈ ঈপা ঈপুশিংনা থম্বীরম্বা হীদাকশিংনা লায়েংদুনা কনবা ঙল্লে। অকুপ্পা মরোল মীতৈ লায়েংদা নৈনবীয়ু, তান্নবীয়ু।
২। হার্টকী লায়না হায়বদি শ্বর হোনবা নুংঙাইতবা, শদৌ থোংবা, হকচাং চোকথবা, তুম্বা য়াদবা, অকি অখঙ পোকপা অসিনচিংবা লাইওং কয়া অসি হার্টকী ওইবা প্রোব্লেমনি। অদুবু ৱাবীরুনু মীতৈ লায়েংনা অতেনবা মতমদা ফহনবা ঙল্লে।
৩। হৌজিক্কী মতম খুৎলায়গী পাঙ্গলনা চাংয়েং তৌবদা অনাবগী লাইওং পুথোকপা ঙমদবা লায়না লাইওং কয়া মীতৈ লায়েংনা মায় পাক্লা লায়েংজরি। নুংশীৎকী লায়না (Gastric)।
৪। Make-up (Parlour) তৌবদা চান্নদবদগী মায়দা allergy তৌবা অসি মীতৈ লায়েংনা অতেনবা মতমদা কোকহনবা ঙমজরে।
৫। মীওইবগী পুন্সিদা য়া হায়বা শায়রগা চান্নরীবা অসিবু পুন্সিগী লেঙদ্রবা পামেল অমা ওইহনবীয়ু। অদোমগী হকচাঙ ফহনবীয়ু। য়ানা মীওইবগী থৱায়নি। য়া নাবা অমসুং য়াদা মুবা তিল চাবা হোবা, য়ারীদা পোম্বা, নাই চাবা, ঈ থোকপা অসিনচিংবা কয়া শত্তনা অমদি তুংদসু অমুক হৌহন্দনা মায় পাক্লা লায়েংজরি।
৬। মথক্তা পঞ্জখিবা লায়নাশিং অসিগী মথক্তা মখাদা পঞ্জরিবা লায়নাশিং অসিসু ঐখোয়না চাংয়েং কয়া তৌজদুনা নীঙথিনা লায়েংজদুনা মায় পাক্লা ফহনবা ঙমজরে। লায়নাশিং অদুদি :- নুংশং নাবা, লাই ওক্লবা, ঈশিং পুকচৎপা, নুপীগী থাগী খোঙকাপ শোইবা, ফীঙৌ চৎপা, ঈ-নুংশিৎ, লিবর, চাকখাউ নাবা, এজমা হারা, হুইনা চিকপা, লিন্না চিকপা, সাইনস, তোন্সিন অমদি কংখুনচিংবা লায়না কয়া, লালচাক-ফন্বী শোনবা, খোঙয়া শাবা, হকচাংদা ঈপুম নাইপুম লৈবা (without surgery) ফহনবা ঙম্বা হীদাক, খ্বাঙ নাবা, মটু লৈবা, অপোম্বা খুদিংমক, নুংশিৎ চংবা (হিংচাবী চংবা), মীৎ-নাপু কাবা, খোঞ্জেল শীথবা (voice down), ঈ-য়াই হকচাং নোয়বা ফনবা অমদি মশা পাবা নোয়নবা, নাহি তাবা অমদি উনশাগী লায়না কয়া মায় পাক্লা ফহনবা ঙমজরে।

অকুপ্পা মরোল খঙবীনিংবশিংনা মীতৈ লায়েং ইবোহল, সনাতোম্বা, গোপাল অমসুং মোধুবলাদা তান্নবীয়ু।

Regd. No. 4277 of 82 April
Phone No. **9612225582**
DR. N. IBOHAL MEITEI,
State & National Awardee

HL-B/4758/20/7-19/08

IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR, NINGTHOUKHONG

Ref:- Mut. Case No. 409/SDC/NTK/2018
1. Maimom Taru Singh S/o (L) Tonsana Singh of Thinungei Awang.
2. Nameirakpam Mikoi Devi W/o (L) N. Sanamatum of –do–.
3. N. Manileima Devi W/o (L) N. Kumar Singh of –do–.
4. N. Mashi Devi W/o (L) N. Tamar Singh of –do–.

... Petitioners

-Vs-

1. Late Nameirakpam (N) Maimom (O) Guni Devi D/o (L) Manitombi Singh of Thinungei.
2. Late N. Sanamatum Singh S/o (L) Manitombi Singh of –do–.
3. Late N. Kumar Singh S/o (L) –do– of –do–.
4. Late N. Tamar Singh S/o (L) Anganghal Singh of –do–.

... Opponents

[illegible]/NOTICE

Ningthoukhong, the 3rd Aug., 2018

নোটিশ অসিনা মরম ওইদুনা Under Section 46 (B) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুং ইন্না খঙহল্লি মদুদি 44-Thinungei Village গী Patta No. 131 (O) 255 (N) C.S. Dag No. 2058 an area 0.98 acre of Ingkhol Class অসি Pattadar মৃতু ওইখিবনা মরম ওইদুনা মাগী মচা, মশু, মমৌ (পেটিস্নর) অসিদা নামা পানবীরো হায়দুনা উক্ত কোর্টতা দরখাষ্ট অমা থারক্লে। মরম অসিনা ইঙ্খোল অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়েৎনিংবা লৈরবদি উক্ত কোর্টতা লাক্লিবা তাং ১০/০৮/২০১৮ ইংগী অয়ুক পুং ১১.৩০ ফাওবগী মনুংদা দরখাষ্ট থারবা য়াগনি। উক্ত তাংগী মতুংদা লাকপা অপতি অমত্তা লৌরোই অমসুং আইনগী মতুংইন্না কেস মখা চথগনি।

Sd/- **Sub-Deputy Collector**
Ningthoukhong, Manipur

HL-P/5177/5

IN THE FAMILY COURT, MANIPUR AT LAMPHELPAT, MATRIMONIAL (DIVORCE) SUIT NO. 77 OF 2018.

Shri Hijam Chandramani @ Pak Singh
... Petitioner
–Versus–
Smt. Toijam Pinky Devi
... Respondent

To,
Shri Toijam Pinky Devi, aged about 35 years D/o Shri Toijam Shanti Singh, a resident of Thambalkhong Kongpal Chanam Leikai, P.O. & P.S. Porompat, District- Imphal East, Manipur.

Whereas, the above named petitioner has filed a suit for Decreee of Divorce U/S 13(1)(i) and (i-a) of the Hindu Marriage Act, 1955 read with Sec. 7 (1) (a) of the Family Court Act. You are hereby summoned to appear in this Court in person or by a pleader duly instructed and able to answer all material the questions relating to the suit or who shall be accompanied by some person able to answer such question on 10th day of August, 2018 at 10.30 a.m. and further you are hereby directed to file on that day all documents in a list to be annexed to the written statements or otherwise if any.

Take notice that in default of your appearance on the above mentioned date and time, the suit will be heard and determined in your absence.

Seal and signed by the order of this Court this 3rd day of August, 2018.

SEAL :
By:-
Advocate

Sd/- **For, Sheristadar,**
Family Court, Imphal West,
Manipur

HL-P/5172/5&6